ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯷, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯷ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, মার্চ ১৭, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩৩৭শুবা মশীং

# নীংতম্লকপা চহী ৪ মপূং ফারকপা

## মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বশিং কয়া যাম্না ফংহনবা ঙম্লবগে

ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলকপা চহী ৭৫ মপূং ফারকপগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। নীংশিংনীংঙাই ওইবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা চয়োল ৭৫গী ওইবা থৌরম পরেং অমা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে। মরু ওইবা ফিরেপ মঙা - "ফ্রীদম ষ্ট্রগল, আইদিয়াজ এট ৭৫", "এচিভমেন্ট এট ৭৫", "এক্সন্স এট ৭৫' অমসুং 'রিজোল্ভ এট ৭৫" দা য়ূম্ফম ওইরগা থৌরম অসি পাক-শন্না পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, নীংতম ঈহৌদা মশীং য়াম্লবা নুপীশিং শরুক য়াখিবগা লোয়ননা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখি। নুপীশিংগী সোসিও পোলিটিকেল অমদি ইকনমিক কন্দিসন নাথৈরম্লগা থৌরম অসি পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈরোই। হীরম খরদা নুপীশিংনা খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্লে হায়বসি য়াম্না চুম্লবা ৱাফমনি। অদুবু নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো, নেসনল ফেমিলি হেল্থ সর্ভে অমসুং নেসনল সেম্পল সর্ভে ওফিসকী রিপোর্ট য়েংলুবদা নুপীশিং হীরম অয়াম্বদা শোথনা লৈরি হায়বা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। অমরোমদা, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউন থমখিবনা মীপূম খুদিংমক্তা অকনবা চৈনা অমা পীরকখিবা তারবসু নুপীশিংদা হেন্না কনবা চৈনা পীবগুম তৌখি। লোকদাউন মনুংদা থবক লৌথোকখিবশিংগী মনুংদা নুপীনা নুপাদগী মশীং য়াম্না হেনখি। হন্দক্তা লেবর লো ৪০ রোম হেন্না লেবর কোদ ৪দা পুনশিনখিবদুনসু নুপী কয়া মখা তানা থবক লৌথোরকপা য়ানা লৈরি। নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগুম তৌরি। ক্রাইম অগেনষ্ট ৱিমেন অমসুং নুপীশিং তাথী-তাওইনা তৌবা থিংনবগী মতাংদা লো কয়া শেম্লবসু থোইদোক্না কান্নদবা মরম্না চেদা য়েকপা কৈ তাদুনা তোক্লি। সেক্স্যুএল ভাইয়লেন্স হায়বসিনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ক্রাইম ওইরি হায়না নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরোগী রিপোর্টতা য়াম্না ময়েক শেংনা য়াওরি। প্রাইভেটাইজেসন অমসুং কোর্পোরেটাইজেসনগী থৌরাং মথং-মথং লৌখৎলকপনসু মীচম-মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবগুম তৌরি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউন তৌখিবনা মীপূম খুদিংমক্কী শেন্থোক হন্থহনখিবা তারবসু কোর্পোরেট হাওস কয়াগী শেন্দোং অসুম-অসুম হেনগৎলক্লি হায়বা য়াই।

পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংলকপা চহী ৭৫ মপূং ফারক্লবসু মীয়াম্না নীংতম্বগী অশেংবা মহাউ ফংবা ঙমদ্রি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। মীয়ামগী পূক্নিংদা খ্বাইদগী নুংনাংবা পোক্লিবসি নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙমদবগী মতাংদনি। লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা ক্রাইম অগেনষ্ট ৱিমেন অমসুং দোমেষ্টিক ভাইয়লেন্সকী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা খুন্নাইদা নুপীগী ফিদা মতিক চানা পীবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। নুপীনা ইমুংগী কুপনোম পূম্নমক্কী থৌদাং লৌগদবনি অমসুং নুপানা খুল্লিংবা খুন্নাই ওইগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অদু থাদোকপা ইঙম-ঙমদবগুম তৌরি। কুমজা ২০১৯গী লোক সভা মীখল মতুংদা খ্বাইদগী চাং ৱাংবা মওংদা নুপী এম পিগী মশীং হেনগৎলক্লে হায়না থাজনখি। অদুবু চাংচৎতা পাথোক্লগা য়েংবদা নুপী এম পি মশীং শুপ্নগী চাদা ১৪ খক্তনি। মালেমগী ওইনা অতৈ লৈবাকশিংদা লৈরিবা নুপী এম পিগী মশীংনা চাংচৎ ওইনা চাদা ২৪নি। হীরম অসিদা পাকিস্থান, সাওদি অরাবিয়া অমদি অফঘানিষ্টানগুম্বা লৈবাকশিংদগী ইন্দিয়ানা শোথনা লৈরি হায়বা ইন্টর পার্লিয়ামেন্টরি য়ুনিয়নগী রিপোর্টতগী য়াম্না ময়েক শেংনা খঙলে। ইন্দিয়া মনুংগী ওইনা ত্রিপুরা, নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেশ, হিমাচল প্রদেশ অমদি জমু এন্দ কামীরদা নুপী অমফাওবা লোক সভাগী মেম্বর ওইনা থাগৎপা ঙমদ্রি। মসিনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রগসু হীরম খুদিংমক্তা লৈঙাক্লা মীচম-মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বা মতুংইন্না কদায় ফাওবা থবক তৌরবগে অমসুং মশক থোকপা থৌরাং লৌখৎলবগে হায়বদু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরে। লৈঙাক্লা চহী মরি মপূং ফারকপগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকপগা ইরোয়ননা মীয়ামগী পুন্সি মহিং করম্বা থাক্তা লৈরিবগে হায়বদুসু য়েংশিনবা চুম্মী।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪

১) "ত্রিপুরাগী মৈহৌরোলদা মৈতৈ" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামিনা লেংবা "শ্রীশ্রী চৈতন্যচরিতামৃত" হায়বা লাইরিক অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক অসি কনানা মণিপুরদা হন্দোকপগে?

৩) "শৈরেং ৱারেং শিংজু" হায়বসিগী অইবা কনানো?

৪) "সাহিত্যগী ঈচেলদা মণিপুরী মুসলিম" হায়বসি কনানা খোমজিল্লগা কনানা ফোঙবনো?

৫) "থোঙাক অশিথেন্নে, অশিবনা পোত্থাফমনে তাইবঙপানববু হন্না য়েংদনা মমা মপা মতু মৱা, মচা অসি খৈবিকপু ঙম্না উইয়ে হায়বগীবু অশিবা খৈবিকনা মফম অদুদা কপনা লাউনা তৌএ অদুবু খমনুং শিতনুপীনা খমনুং অশিহৈবু হৈরাঙ খূত্তা পীদনা চাহল্লে। হৈরাঙ চারবগা মমা মপা, মতু মচা মৱা ঙম্না কাউএ। অদুগীদমকপু থোংঙাক অশিথেন মকোই নুংওনচীং তৌনা কৌএ।" কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি

১) য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় - (১, ৩, ৪, ৫)
২) সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৩) কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল - (১,২,৩,৪,৫)
৪) সী ঐচ সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল - (১,২,৩,৪,৫)
৫) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪)
৬) দোনেশ্বর থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৭) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৮) লাইশ্রম এলেনা, টোপ খোংনাংমখোঙ - (৩,৪,৫)
৯) ব্রোজেন্দ্রো সোরোখাইবম, ইরমসিফাই মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
১০) প্রেম কৈশাম, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা অৱাং লৈকায় - (৩,৪)
***১১) এম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
১২) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,৩,৪,৫)
১৩) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,৩,৪,৫)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৩গী ৱিন্নর

***এম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

লিটরেরি ক্যুইজ১৩গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম মার্চ ২১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩গী পাউখুম

১) বাংলাদেশতা ফোঙবা অহানবা মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক অসি করিনো, কনানা ইবনো?

***:- "নোঙ্গৌবী" কৌবা এ কে সেরামনা ইবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিনি।***

২) কলকত্তাদা চৎতুনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ঈশৈ রেকোর্দ লৌরুবা শৈশকপদু কনানো?

***:- ঙাংবম নিমাইনি।***

৩) ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সাহিত্য একাদেমিগী এৱার্দ ফংখিবা মণিপুরী লাইরিক অদু কনানা ইবা, করি লাইরিক্নো?

***:- পাচা মৈতৈনা ইবা উপন্যাস 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম'।***

৪) ভগবতি চরণ বর্মাগী ফাওরবা উপন্যাষ 'চিত্রলেখা' হায়বসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

***:- এস নিসান সিংহনা হন্দোকপনি।***

৫) "হয়ুম য়ানবা থৌদাংকোক/শীং চল্লকউ হায়রগা/ফৌ পুরকপা য়ানবা/নঙনা চাকপু হায়রগা/ফৌগাক চজিক নমথিবা/চাকপু শানা পীজগে।/নঙনা য়েঙ্গাং হায়রগা/লফু য়েনগং থুমনমদবী/য়েঙ্গাং শানা পীজগে।" মতেক অসি করি ঈশৈদগীনো?

***:- "ফৌশু ঈশৈ" হায়বদুদগীনি।***

# মঙালগী মায়কৈরোমদা মরোমদোম লেংজবা ঙম্বা খূৎলায়শিং

## (নুমিৎকী মঙালবু চাম্মদা চাম্মা লৌশিনবা ঙম্বা সোলর সেল)

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**




নুমিৎলৈনা নুমিৎ মঙালগী মায়কৈ ওল্লগা শাৎলি; কা অমগী থোঙনাও ময়াদা থম্বা গল্লাগী পান্বী অমনা মঙাল ফংলিবা অদোমদা মসা-মরেং শন্দোরকই; মসি পূম্নমকসি মহৌশাগী ওইবা থৌওং অমনা লাকশিন্দুনা থম্লগা থোকহল্লিবনি। অসিগুম্বা মহৌশাগী থৌওং অসিবু মতৌ তমদুনা থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা মঙালনা লাক্লিবা মায়কৈদা মরোমদোম লেংদুনা, লৈশিন্দুনা নৎত্রগা কোনশিন্দুনা মঙালবু মতিক চানা লৌশিনবা ঙম্বা সোলর সেলশিং শারগা সোলর এনর্জিবু হেন্না শীজিন্নবা ঙম্লগনি।

মণিপুরগী ওইনদি সোলর পেনেলশিংসি মখা মায়কৈরোমদা ওল্লগা, চাওরাক্লা ৪৫° ঙমখৎলগা থম্মী। মসিনা নুমিৎকী মঙালনা পেনেলদা য়ৈবগী এঙ্গলসি ৯০° গা নকশিন্নহন্দুনা নুমিৎকী মঙালবু খ্বাইদগী য়াম্না লৌশিনবা ঙমহল্লি। নুমিৎকী মঙালসি মসিদগী হেন্না ফংহনগে হায়বা তারগদি, নুমিৎ হেক থোরকপদগী তাবা ফাওবদা মঙালদুনা পেনেলদা ৯০° দা য়ৈহনবা তাই। মসিগী মঙালনসি টফ্টস য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ এঞ্জিনিয়রিংগী থিজিন-লূপ অমনা মঙফাওনহনবা ঙম্লগনি হায়না 'নেচর কম্যুনিকেসন্স' (মার্চ ১২, ২০২১) দা ফোঙদোরক্লি।

থিজিন-লূপ অসিনা এনর্জি অমত্তা তিংহন্দনা নৎত্রগা তারা য়াওহন্দনা শেম্বা কমপ্লেক্স ওইবা দাইমেন্সন অহুমগী মওংশিং ওইবা লেংথোক-লেংশিন, কোন্থোক-কোনশিন অমদি উংবা য়াবা 'লাইট-এক্টিভেটেদ কম্পোজিট দিভাইস' শিং পুথোকপা ঙমখ্রে। নানো অমসুং মেক্রো স্কেল অনীমক্তা শীজিন্নবা য়াগদবা মওংদা ইলাষ্টোমরিক কম্পোজিট অমগা ফোটোনিক ক্রাইষ্টেলশিংগা পূল্লগা খূৎলায়শিংসি শেমগৎখিবনি। মসিনা মঙালগী মায়কৈ অমসুং মঙালনা য়ৈরবগী এঙ্গলদু ৯০° ওইনবা লৈথোক-লৈশিন য়াবা সোলর সেলশিং, দরকার ওইরকপা মতমদা মঙাল পীশিল্লগা মথৌ তৌহনবা ঙম্বা লাইট-একচ্যুটেদ মাইক্রোফ্লুইদিক ভাল্ভশিং নৎত্রগা সোফ্ট রোবোটকুম্বা 'স্মার্ট লাইট-দ্রাইভন সিষ্টম' শিং শেমগৎপা য়ারগনি হায়রি।

মচু হায়বসি করিগুম্বা পোৎ অমদা মঙালনা য়ৈবা মতমদা মঙালদুবু চূপশিনখিবা অমদি থক্তোরকপা অদুগী মখা পোল্লি; খুদম ওইনা, পোৎ অদুনা মঙালদা য়াওরিবা মচু তরেৎ (VIBGYOR) অদুদগী অঙাংবা মচুনা থক্তোরল্লগা অতৈ মচুশিংবুনা চূপশিল্লবদি, পোৎতুগী মচুদু অঙাংবা ওই। মতৌ অসুম্না, কুরাক অমগী মসা (ৱিং) নৎত্রগা জেমষ্টোন অমদা মঙালনা য়ৈবা মতমদা, মশা নৎত্রগা জেমষ্টোনগী মনুংদা য়াওরিবা ফোটোনিক ক্রাইষ্টেলশিংনা অখন্নবা মচুশিং চূপশিল্লগা অতোপ্পশিংদুনা থক্তোরকপদগী নিংথিজরবা অমসুং মীৎ পেন্নিংঙাই ওইবা মচুশিংগী শক্তম উবা ঙম্মী। মঙালদুনা ক্রাইষ্টেলদুগী মমাইদা য়ৈবগী এঙ্গল অদুনা করম-করম্বা মচুশিংনা চূপশিনবা হায়বদু লেপ্পী।

টফ্টকী থিজিন-লূপ অসিনা, মহৌশাগী ওইবা থৌওং অসিবু লেবতা খূৎশেমগী পান্বেনা শেমগৎলক্লিবা ফোটোনিক মেটেরিএল অসিদা মরোল অনী য়াওই : ফোটোনিক ক্রাইষ্টেলশিং শেল্লিবা, সনাগী নানোপার্টিকলশিং (AuNPs) হাপচিল্লবা সিল্ক ফাইব্রোইন্না শাবা জেমষ্টোন মানবা অপাবা মরোল অমা অমসুং সিলিকোন্দা য়ূম্ফম ওইবা পোলিমর অমা ওইরিবা পোলিদাইমিথাইলসিলোক্সেন (PDMS) গী সবষ্ট্রেট অমা। লেংথোক-লেংশিন, কোন্থোক-কোনশিন য়াম্না য়াবা, মপুন্সি শাংবা অমসুং মঙালগী অঙকপা মগুনশিং চেনবগী মথক্তা, সিল্ক ফাইব্রোইন অসিগী থর্মেল এক্সপান্সনগী নেগেটিভ কোইফিসিএন্ট অমা (CTE) লৈ, হায়বদি মৈশা ফংবা মতমদা পিকশিল্লকই অদুগা ঈংহনবা মতমদনা চাওথোরকই। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা, PDMS অসিগী CET ৱাংই অদুগা শারকপা মতমদা থুনা চাওথোরকই। মসিনা মরম ওইরগা, ফোটোনিক মেটেরিএল অসিদা মঙালনা য়ৈবা মতমদা, মরোল অমনা মৈশা ফংদুনা, অতোপ্পা মরোলদুদগী য়াম্না থুনা শাৎলকই; অদুনা মেটেরিএল অদুগী মরোল/নাকল অমনা চাওথোরকপা মতমদা অতোপ্পদুনা পিকশিল্লকই নৎত্রগা য়াম্না তপ্না চাওথোরকই, হায়বদি মেটেরিএলদু কোনশিল্লকই।

টফ্টতা ফ্রাঙ্ক সী দোবল প্রোফেসর ওফ এঞ্জিনিয়রিং ওইরিবা ফিওরেঞ্জো ওমেনেটোনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়গী মেটেরিএল অসিদা মঙালবু মওং কয়ামুক্তা চূপশিনবা অমসুং থক্তোরকপা ঙম্বা স্কেলশিংদা জেমষ্টোন মানবা ফিল্মশিং শেমগৎপা য়াগনি হায়রি। নুমিৎনা হেক থোরকপদগী মঙালগী মায়কৈ হোংলক্তুনা চূপশিল্লিবা এনর্জিগী চাং হোংলকপা মতমদা, মেটেরিএল অসিসু মঙালগী মায়কৈদুগা মরী লৈননা কোনশিল্লকই অদুগা লেঙলকই। মঙাল শীজিন্নরগা লেঙহনবগী থবক পাঙথোকপা ঙম্বা, হৌজিক শীজিন্নরিবা ওপ্টোমেকনিকেল দিভাইস অয়াম্বদা য়াম্না কমপ্লেক্স ওইবা অমসুং এনর্জি দরকার ওইবা মচাকশিং য়াওই, অদুবু টফ্টকী অসিদদি মঙাল অমসুং এনর্জি ওন্থোক-ওনশিন তৌনবা অদুগা মেটেরিএলশিংসু লেঙহনবদা ইলেক্ট্রিসিটি নৎত্রগা তারাশিংগী মথৌ তাদে।

থিজিন-লূপ অসিনা ষ্টেন্সিলশিং শীজিন্নরগা ফোটোনিক ক্রাইষ্টেল ফিল্মশিংদু শেম্লবা মতুংদা অখন্নবা পেট্টর্নশিং ফংহন্নবগীদমক ঈশিং মনিলনা য়ৈহল্লি। ঈশিংগী মরোল অসিনা ফিল্মদুনা চূপশিল্লিবা মচু অমসুং থক্তোরক্লিবা মচুশিংদু হোংদোক-হোংজিন তৌহল্লি, অদুগা লেজর মাঙলনা য়ৈহনবদা পেট্টর্ন অদুগী জিওমেট্রিগী মতুংইন্না মেটেরিএলদু কোল্লকই, থুপচিল্লকই নৎত্রগা লৈথোক-লৈশিন তৌরকই।


মখোয়গী চাংয়েং অদুদা, থিজিন-লূপ অসিনা মরোল অনীগী ফিল্মসিদা সোলর-সেলশিং য়াওরবা 'ফোটোনিক সনফ্লৱর' অমা শারগা, মঙালগী মায়কৈরোমদা খূৎশেমগী নুমিৎলৈ অসিনা লেঙলকপদু উৎখি। অহানবা চাংয়েংদা লেজর মঙাল শীজিন্নরগা, লেজরগী মঙালদুনা লেঙলকপগী মতুংইন্না নুমিৎলৈ অদুনা লেঙলকপদু য়েংখি, মখা তারকপদা, অঙৌবা মঙাল (নুমিৎকী মঙাল) দসু ফোটোনিক সনফ্লৱর অসিনা মতিক চানা পাউখুম পীরকখি। অসিগুম্বা মেটেরিএলশিং য়াওরবা সোলর সেলশিংগী পেনেলশিংনা নুমিৎকী মঙালদা ৯০° দা লৈহন্দুনা সোলর এনর্জিবু খ্বাইদগী য়াম্না লৌশিনবা ঙমহল্লগনি। মসিনা সোলর ইনর্জিবু শীজিন্নদুনা ফোসিল ফ্যুল শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবদা অচৌবা মতেং পাংলগনি। ●




ফোটোনিক সনফ্লৱরনা মঙালগী মায়কৈদা ওনশিনবা

# ওলিম্পিক্তা নুপীগী ফুটবোল

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**



কুমজা ১৯৯৬তা অটলান্টাদা পাঙথোকখিবা ২৬শুবা ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী ফুটবোল ওলিম্পিক্কী থৌরম অমা ওইনা য়াওহনখিবদা য়ু এস এনা চাইনাবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিদুনা সনাগী মেদল ফংখি। অহুমশুবা পোজিসনগীদমক নোরৱে অমসুং ব্রাজিল শান্নবদা নোরৱেনা ব্রাজিলবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। চহী মরিগী মতুংদা কুমজা ২০০০দা সিদনিদা পাঙথোকখিবা ২৭শুবা ওলিম্পিক গেমসতা য়ু এস এ অমুক হন্না ফাইনেল চঙখিবদা নোরৱেনা মতম হাপ্লগা শান্নবদা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাক্তুনা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইখি। ব্রাজিলনা অমুক হন্না মরিশুবা তাখি। লৈবাক অসিবু জর্মনিনা অহুমশুবা পোজিসন তান্নবদা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

য়ু এস এ অমসুং নোরৱেগী টিম অনী অসিনা ফাইনেল য়ৌনা কারকপা অসি অরাইবা থবক ওইখিদে। মসি অয়াম্বনা মখোয়গী লাইবক্তা তমখিবনি হায়না মীয়াম্না লৌনখি। সেমীফাইনেলদা নোরৱেগা জর্মনিগা, ব্রাজিলগা য়ু এস এগা শান্নখি। টিম মরি অসিগী মনুংদা সেমীফাইনেলদা মায় পাক্লকখিবা য়ু এস এ অমসুং নোরৱে ফাইনেল শান্নখি। মসিদা মায় পাকখিবদি নোরৱে অমসুং য়ু এস এনি। লৈবাক অনী অসি ফাইনেলদসু টিম অনী অসি অমুক শান্নখি।

অহানবা সেমীফাইনেলদা নোরৱে অমসুং জর্মনি শান্নখিবদা হাফ মতুংদা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমৎখদে। অদুবু অনিশুবা হাফ হৌখিবগী মিনট ৮০ শুরকপদা নোরৱেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। জর্মনিগী দিফেন্দর টিনা ৱান্দরলিকনা মখোয়গী গোলকিপর শিলকি রোতেনবর্গতা বোল অদু হেদ তৌশিন্দুনা বেক পাস পীরুবদা গোলকিপরদি পোষ্ট অনীগী কারক ময়ায় অদু ইহাঙ হাঙনা লৈরমদুনা পাঞ্জল অমা মশামক্কী টিমদা চনখি। মতম অদুদা গোলকিপর অদুনা মাঙলোমদা খজিক্তুং চৎথোক্তুনা নোরৱেগী শান্নরোয়না কাওশিল্লুবদা বোল অদু ফানবা শেম শারিবা অদু দিফেন্দর ৱান্দরলিকনা খঙহৌদে।

য়ু এস এগা ব্রাজিলগা সেমীফাইনেল শান্নখিবদা য়ু এস এনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি। শান্নবা হৌবদগী পুং অমা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু মিনট ৬০শুবা মতমদা য়ু এস এগী মিয়া হেম্মনা পাঞ্জল অমা চনখি। পাঞ্জল অদু টি মিলবর্টনা গোলকিপর মেয়কোনদা এটেক তৌবদা তুখিবনি। তাঞ্জা অদুদা পাঞ্জল চনখিবনি। মিলবর্ট মশামক্লা মঙোন্দা ফাওল পীগদ্রা হায়না খল্লম্মী। অদুবু পীরকখিদে। স্বিটজরলেন্দগী নুপী রেফরি ওইরিবী নিকোলে পেটিগনেন্টনা খোঙখিদবনি। নিকোলে অসি কুমজা ১৯৯৯গী নুপীগী ৱর্ল্ড কপ্তা চাইনা অমসুং য়ু এস এনা পেনালটি কাওনবদা অমেরিকাগী গোলকিপর ব্রিয়ান্না স্কুরিনা বোল অদু কাওদ্রিঙৈদা মহাক্কী মশা অদু লেংবদা (মুভ তৌবদা) মরাল পীখিদে। গ্রুপ মেটচতা নোরৱেগা য়ু এস এগা শান্নখিবদা য়ু এস এনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি।

মদুদা য়ু এস এনা মিনট মঙাদা পাঞ্জল ১ চনখি। পাঞ্জল অদু হেম্মনা মিলবর্টতা পাস পীবদা মহাক্লা চনখিবনি। হাফ থাগদবা মিনট খরগী মমাঙদা হিউজ রিসনা কোর্নর অমা কাওরকপদা গ্রো ইশপেশেথনা হেদ তৌশিন্দুনা পাঞ্জল অমা চনখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল মান্নখি।

মিনট ৭৮শুরকপদা অমেরিকাগী গোলকিপর সিরি মুল্লিনিক্সকা দিফেন্দর জেয় ফেৱেলটকা থেঙ্গাইনৈ। মদুদা গোল পোষ্ট অনীগী মরক্তা লৈবা অহাঙবা অদুদা রেগনিহিলদ গালব্রেন্দসন্না বোল অদু মকোক্লা থোমজিনখি। শান্নরোয় শোকপদগী মতম খরা শান্নবা লেপখিবগী মাঙখিবা মতম অদু হাপ্তুনা শান্নহল্লিঙৈদা ফালদা ফল্লিবা নোরৱে মচা শান্নরোয়শিং অদুনা পাঞ্জল থোইবগী হরাও তয়াম্বা পাঙথোক্লবা শেম শাদুনা লৈরম্মী। তৌইগুম্বসুং শান্নবা অদু লোইগদবা সেকেন্দ ৩০ খক্তা ঙাইরবা মতম অদুদা ফুট ৫ ইঞ্চি ২ ৱাংবী মিলজেওনা হেদ তৌদুনা গোল পোষ্ট মনুংদা ইনশিনখি। মতম হাপ্লগা শান্নবদা অমেরিকাগী ফাৱিটনা নোরৱেগী শান্নরোয় অমনা পাস তৌরকপা বোল অমা (মকোক্লা) হেদ তৌথোরকপদা মখোয়গী মীচং অমগী মখূত্তা থাদুনা বোল অদু লৈমায়দা চোংদুনা লৈরিঙৈদা মেলগ্রান্না অমেরিকাগী পোষ্টতা কাওশিন্দুনা পাঞ্জল অমা চনখিদুনা মায় পাকখি। লৈবাক অসিনা মেটচ মরিরক শান্নবদা মেটচ খুদিংমক মায় পাকখিদুনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইখি।

নোরৱেনা মেটচ মরি শান্নবদা মরিমক মায় পাকখি। পূন্না পাঞ্জল ৯ চনখি। মখোয়গী মায়োক্তা পাঞ্জল ৬ চনখি। চহী মরিগী মতুং কুমজা ২০০৪দা এথেন্সতা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক অসিগী নুপীগী ফুটবোল টিম ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। টিম অসিবু য়ু এস এনা কুমজা ২০০৩গী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীখি। ●